# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, APRIL 21, 2014, PAGE 7




*২০১৪ ব্রার্ল্ড কপতা মীয়াম্না মীৎয়েং থম্নরক্কদৌরিবা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল্লর মেসি*



*২০১৪ ব্রার্ল্ড কপতা পোর্টুগলগী টিম লুচিংগদৌরিবা ষ্টার প্লেয়ার খৃষ্টোফর রোনাল্ডো*

## করিফতা গেমসতা জমাইকানা দোমিনেট তৌরি

*ফোর্ট দে ফ্রান্স (মার্টিনিক), এপ্রিল ২০ঃ*

পিয়ার অলিকরদা চংখরিবা ৪৩ শুবা করিফতা গেমসকী ১০০ মিটর ফাইনেলদা জমাইকাগী স্প্রিন্টরশিংনা মায় পাকখ্রে। তৌইগুম্বশুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা পাঙথোক্কদবা চহি ১৮ মখাগী নুপাগী ফাইনেল ব্রাৎলিবনা জমাইকানশিং হরাওবা ফোঙদোকপগী মতম খরা ঙাইবা তারি।



নুপাগী চহি ২০ গী মখাগী সেমি ফাইনেলদা ১০.১৪ সেকেণ্ড চেন্দুনা জে মিনজি ফাইনেল চঙখি। মিনজিনা ফাইনেল চঙবগী নুংঙাইবা ফোঙদোল্লদুনা মহাক্কী মায় পাকপা অদু মহাক্কীদমক্তদি লাইবক ফবা অমনি অমদি মহাক্কী কেরিয়ারদা অফবা খোঙথাং অমনি হায়না মিনজিনা ফোঙদোকখি।

চহি ১৮ শুরবা মিনজিনা মখা তারদুনা ১০০ মায় পাকপখক্তনা মহাক্কী পান্দম নত্তে। ২০০ মিটরদসু মায় পাক্লবা মীৎয়েং থল্লি হায়বা ব্রাফম থল্লক্লি। বরবাদোসকী লিবাইকেরোগান্না মিনজিগী মতুং ইল্লদুনা সেকেণ্ড ১০.২৫ চেন্দুনা সিলভর মেদল ফংখি। লোয়ননা ত্রিনেদেদ এন্দ টেবেগোগী জোনাথন ফরিনহানা ১০.২৭ সেকেণ্ড চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপীগী ফাইনেলদা ত্রিনিদেদ এন্দ তোবেগোগী অলিয়াগী মথক্তা ১১.১৭ সেকেণ্ড চেন্দুনা জে স্মিটনা গোল মেদল ফংখি। লোয়ননা জমাইকাগী কেদিসা দলাসনা ১১.৪৪ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

গোল্ড মেদল ফংখিবা স্মিটনা করিফতাদা লাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা অসি মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। মায় পাকপা তঞ্জা অসিদা মহাক হায়ফম খঙদনা নুংঙাইরে হায়খি। চহি ১৮ মখাগী কেটেগোরিদা জমাইকাগী ব্রাসিম ব্রিল্লিয়মসনা ১০.৩৬ সেকেণ্ড চেন্দুনা গোল্ড লৌখি। তাল্লক অসিদা চহি ১৪ তা শুবতা ঙাইরিবা কিমোন সো অন্দর ১৮ গার্লস ফাইনেল ১১.৪২ সেকেণ্ড চেন্দুনা গোল্ড লৌখি। লোয়ননা ভহামাসকী জানে অম্বোজনা ১১.৬২ সেকেণ্ড চেন্দুনা সিলভর মেদল ফংবগা লোয়ননা বৃটিশ ভর্জিন আইলেন্দকী নেলদা হগিন্সনা ১১.৬৪ সেকেণ্ড চেন্দুনা থার্দ তাখি।

চহি ১৮ মখাগী সোটপুট ফাইনেলদা জমাইকাগী চেলসি জেমসনা দিস্কস থ্রোদা সেকেণ্ড তাখি। অদুবু মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিল্লকপা ওইনা মহাক্না সোটপুট ফাইনেলদা ১৬.১২মিটরস লংদুনা গোল্ড লৌবগা লোয়ননা মহাক্কী টিমমেট জানেল ফুল্লরতোন্না ১৪.৪২ মিটর লংদুনা দিস্কস থ্রোদা সেকেণ্ড তাখি।

## কুমারি ব্রুদ–ষ্টোক ত্রেক্কিং এক্সপিদিসন

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ঃ*

কুমারি ব্রুদ–ষ্টোক স্কুলনা ২০০৪ দগী লিংখৎলকপদগী স্কুল অসিগী এনুয়েল ইভেন্ট ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ত্রেক্কিং এক্সপিদিসন চহি অসিগী ওইনা মাউন্ট কঞ্চনজঙ্গ বেজ কেম্প অমসুং গোইচলা (সিক্কিম) মাউন্টেনরিং এক্সপিদিসন অমা চৎলগনি হায়রি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা কুমারি ব্রুদ–ষ্টোক স্কুলগী প্রিন্সিপালসু ওইরিবা এক্সপিদিসন অসিগী টিম লিদর সুরেন্দ্র সোসাইসমনা ফোঙদোকখিবদা স্কুল অসিনা ২০০৪ দা লিংখৎলকপদগী ঙসি ফাওবা ত্রেক্কিং, মাউন্টেনরিং, এক্সপিদিসন, দিস্কোভরি টুর অমসুং অতৈ এদভেঞ্চরগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঙসি ফাওবদা ২০০৪ দগী স্কুল অসিগী মহৈরোই য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ত্রেক্কিং অমদি মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপিদিসন কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মসিগী শরুক অমা ওইনা চহি অসিগী এপ্রিল ২৬ তগী নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা স্কুল অসিগী মহৈরোই য়াওবা মীওই ৯ না শাবা টিম অমনা সিক্কিমগী গোইচলাদা এক্সপিদিসন অসি পাঙথোক্কদবনি।




থা অসিগী ২৬ তা ইম্ফাল থাদোক্কনি। নুমিৎ ১৫ নিরোম চঙনা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপিদিসন অসিদা স্কুল অসিগী মহৈরোই বসন্ত, কিরনকুমার, রিকি, জেনিথ, রোবার্ট থৌদাম অমদি হন্সরাজ সোরাইসমনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ওফিসিয়েল ৩ সুরেন্দ্র সোরাইসম (টিম লিদর), আর কে মঙ্গি (ত্রেক্কিং এক্সপার্ট), সোমেন সোরাইসম (সিজন এদভেঞ্চরস) না শরুক য়াগনি। হায়রিবা এক্সপিদিসন অসিগীদমক্তা মহৈরোইশিং অসি থা খরগী মমাংদগী কৌনু মাউন্টেন রেঞ্জদা ত্রেনিং তৌদুনা এক্সিপিদিসন অসিগী শেম শাবা লোইরে।

গোইচলা হায়রিবা মফম অসি সিক্কিমগী মনিথংবা শরুক্তা লৈবা ৫৩৩০ মিটর ব্রাংবা মফমনি।

মফম অসি ইন্টরনেসনেল ত্রেক্করশিংগী মীৎয়েংফম অমদি খ্বাইদগী পাম্বা মফম অমা ওইরিবনি।

সুরেন্দ্র সোরাইসমনা মখা তারদুনা এক্সপিদিসন অসিগী পান্দমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী মরক্তা থৌনা লিংজেল লৈনবা সেল্ফ কনফিদেন্স, লুচিংবা অমা ওইবগী গুন চেন্নবা অমত্তা ওইবগী ব্রাখল্লোন খনবা ঙম্নবা, হকচাং ফনা লৈনবা, হীরম খুদিংমক্তা থেংনবা ঙম্নবা ফিজিকেল্লি অমদি মেন্টেল্লি প্রিপিয়ার তৌনবনি।

## ব্রার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা গৌরব সোলনকি ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে

*নিউ দিল্লি, এপ্রিল ২০ঃ*

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন্না টর্মিনেট তৌখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং ফেদরেসনগী প্লেয়ারশিং হৌজিক বলগেরিয়াগী সোফিয়াদা পাঙথোক্লিবা ব্রার্ল্ড য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ফিভরনা নাদুনা লৈরবসু ইন্দিয়ান টিমগী ডোক্তর য়াওদনা এসিয়ান সিলভর মেদলিষ্ট গৌরব সোলানকি (৫২) কজি ঙসি ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে। সোলানকিনা আইরলেন্দগী ব্রিল্লিয়ম দোনোকপু ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।



প্রি ক্বাটর ফাইলেদা স্পেইনগী গেব্রিয়াল স্কোবা মায়থিবা পীরমখিবা চাইনাগী এল ভি পিংগা সোলনকিগা ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনরগনি। টিমগী দোক্তর য়াওদনা নুমিৎ নিনিগী মমাংদগী লোলনকি ফিভরনা নাদুনা লৈরকখিবনি। ইন্দিয়ান কন্টিজেন্ট অসি বেলারুস টিমগী ডোক্তরদগী মতেং লৌদুনা লৈরি।

সোলানকি ফিভরনা নারবসু রিং মনুংদা থোইদোকপা অকাইবা লৈতনা আইরিসকী রিভেল ব্রিল্লিয়ম দোনোগপু মায়থিবা পীরমখি। ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং এসোসিয়েসন টর্মিমেট তৌখিবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবনি।

নাকল অমরোমদা ৬৪ কেটেগোরিগী কেটেগোরিদা অরোইবী থাদুনা মায় পাক্লবা হোৎনরবসু ইন্দিয়াগী নিরজ পরাসরবু হঙ্গেরিগী রিচার্দ টোটনা ২–১ দা মায়থিবা পীখি। চংখরিবা চেম্পিয়নশিপ অসি চহি অসিগী আগষ্ট ১৬ তগী ২৮ ফাওবা চাইনাগী নানজিং পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমনি।

য়ুথ ওলেম্পি অসিদা শরুক য়াবা ফংনবা বোক্সরশিং য়ামদ্রবদা সেমিফাইনেল ফাওবা চঙবা মথৌ তারি। ইন্দিয়ানগী বোক্সরশিং ইন্টরনেস্নেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মখাদা শরুক য়ারিবনি। অর্মেনিয়াগী য়েরিবানদা পাঙথোকখিবা মমাংগী এদিসন্দা ইন্দিয়াগী টিম সিলভর মেদল অমদি ব্রোঞ্জ মেদল কয়া ফংলকখিবনি।

## এসিয়ান কন্টিনেন্টেল চেছ চেম্পয়নশিপ্তা অধিবান মায় পাকখ্রে, সচিকিরন মঘামগী খুৎতা মায়থিহৌরে

*সরজা, এপ্রিল ২০ঃ*

মফম অসিদা চংখরিবা ১৩ শুবা এসিয়ান কন্টিনেন্টেল চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা গ্রান্দ মাষ্টর অমদি নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরম্বা বি অধিবাননা মহাক্কী মায় পাক্না চঙশিল্লক্লিবা কেম্পেইনদা ঙসি জিএন গোপালবু অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থিবা পীখ্রে।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ব্রাংবা রেটেদ প্লেয়ার কৃষ্ণন সচিকিরনবু ঈরানগী ইসান মঘামিগী খুৎতা মায়থিহৌরে। রাউন্দ ৬ ব্রাৎলিবনা মখা তাবা মেটচশিংদা শোইদনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবগা লোয়ননা লিদরগী ১.৫ পোইন্ট শোখনা লৈরি। গ্রান্দ মাষ্টর পরি ইমর্জন নেগী অমসুং অভিজিৎ গুপ্তাসু মায় পাকপগী লম্বীরোমদা চঙশিল্লকপা য়ানা লৈরি। অধিবান ব্রার্ল্ড জুনিয়ার চেম্পিয়ন চাইনাগী য়ু য়াং য়িগা পোইন্ট চপ মান্নদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মাংজিল থাদুনা চৎলি। বংলাদেশকী জিয়াউর রহমান চাইনাগী বু জি য়াং জি অমসুং ব্রেন য়াং অমদি ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা উজেবিকিষ্টানগী রুষ্টম কসিমজানোব পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা ৪ শুবা স্পোটতা পুন্না লৈমিন্নরি।

নুপীগী ইন্দিয়াগী থাজবা থল্লিবা ইন্টরনেস্নেল মাষ্টর তানিয়া সচদেবপু ভিয়েটনামগী থি থান অন গী খুৎতা মায়থিবা নংখ্রে। সেক্সন অসিদা সচদেব পোইন্ট ১.৫ ফংদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুংঙাইতবা পাউ অমা ওইনা মেরিগোমস অমসুং স্বাথি ঘাতে মহাক্কী লম্বাদা মায়থিবা নংখ্রে। মেরিগোমসনা ইন্দোনেসিয়াগী আইরিন খরিজমা সুকন্দারনা মায়থিবা পীরম্বগা লোয়ননা ইরানগী অতৌচা পোরকাসিয়ানগী খুৎতা ইন্দিয়াগী স্বাথি মায়থিবা নংখিবনি।

২০১৫ দা অজরবাইজানগী বাকুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড চেছ কপ্তা ৫ শুবা ক্বালিফায়িং স্লোটতা এসিয়ান কন্টিনেন্টেল ওপন নুপা অমদি নুপীগী চেছ টিমদা শান্নরোইশিং অসি ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

## অনিরকশুবা ওইনা ব্রিল্লিসনা বি এ এ ইনভাইটেস্নেল মাইল মায় পাকখ্রে



*বোষ্টোন, এপ্রিল ২০ঃ*

ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট অমসুং ইভেন্ট অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা ন্যুজিলেন্দগী নিক ব্রিল্লিসনা বোষ্টোন এঠলেটিক এসোসিয়েসন (বি এ এ) মেন্স ইনভাইটেস্নেল মাইল ইভেন্ট মায় পাকখ্রে। ২০১২ ওলেম্পিক্কী কী ১৫০০ মিটর সিলভর মেদলিষ্ট লিও মেঞ্জানো, আইরিস চেম্পিয়ন পাউল রোবিন্সন অমসুং বৃটিশ চেম্পিয়ন খৃষ্টবু মায়থিবা পীখিবনি।

ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন অসি ষ্টিপল চেজর সিন টরনরনা অঙনবা শরুক্তা লিদ তৌদুনা চৎলম্লল্লবসু ব্রিল্লিসনা অনিশুবা লেফতগী খুৎ হল্লক্তুনা দোল্লর ৩০০০ গী টাইটল অসি লৌখিবনি। মহাক্না টাইটল অসি লৌনবগীদমক্তা ৪ঃ১১ঃ৩ চেনখিবনি।

## করবরনা জর্মনিবু ফদরেসন কপগী ফাইনেল চঙহনখ্রে

*ব্রিজবেন, এপ্রিল ২০ঃ*



চহি ২২ গী মতুংদা এঞ্জেলিক করবরনা অহানবা ওইনা অষ্ট্রেলিয়াগী সমন্থবু সেমিফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা জর্মনিবু ফেদরেসন কপকী ফাইনেল চঙহনখ্রে।

ব্রার্ল্ড নম্বর ৭ করবর অহানবা সেটতা সমন্থনগী খুৎতা ৪–৬ তা মায়থিরম্বদগী খুৎ হল্লক্তুনা য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন ওইরম্বা সমন্থবু পুং ২.১৪ চঙনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা ৪–৬, ৬–০, ৬–৪ দা মায়থিবা পীবদুনা অষ্ট্রেলিয়াগী মথক্তা ৩–০ দা লিদ তৌদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। জর্মনিনা জেক রিপব্লিক অমদি ইটালি অনিগী অকাবা অদুগা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

লেফহেন্দর করবরনা অহানবা সেট মাইথিখিবদগী অঙম্বা থাক্তা লৈজবী পুম্বা উৎথোক্তুনা খুৎ হল্লক্তুনা গেম ৭ থংন থংননা মায় পাক্তুনা ১৯ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা সমন্থাবু মায়থিবাপীদুনা জর্মনিবু ফাইনেল য়ৌহনখিবনি।

কম্পিটিসন অসি ১৯৯২ দা ষ্টেফি গ্রাফনা জর্মনিগী শান্নরিঙৈ মতমদা মায় পায়খিবা অদুদগী ঙসি ফাওবা মায়থিদুনা লৈরকখিবনি। ১৯৯২ গী ফাইনেল অদুদা জর্মনিনা স্পেইনবু মায়থিবা পীখিবনি। মেটচ অদু লোইরবা মতুং করবরনা ফাইনেল চঙবা অসি মখোয়গীদি মরুওইবা অমদি চাউথোকচনিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমনি। ফাইনেল চঙনবা অমদি অষ্ট্রেলিয়াবু মায়থিবা পীনবা অঙম্বী থাক্তা হোৎনন্দুনা লাকখিবনি হায়খি।

কম্পিসিন অসিগী মমাংদা কবর অমদি সমন্থানা মেটচ অহুম শান্নখিবগী মনুংদা কবরনা সমন্থাবু মায়থিবা পীবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। করবনা মখা তারদুনা গ্রান্দস্লেম চেম্পিয়ন ওইরিবা সমন্থবু মায়থিবা পীনবা মহাক্কী লৈজবী থাদুনা শান্নবা মথৌ তাইহায়না মহাক্না মখা তাখি।



*চহিসিগী জুলাইদা ব্রজিলদা শায়দৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ ২০১৪ দা শরুক য়াগদবা স্পেইনগী টিম*


